**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-02-2025)**

**বিজেপি (এল)ঃ** বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা হায়রি-রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী হৌরকফম ঐখোয় খুদিংমকা খঙমীন্নবা চংই।

ইম্ফালগী থন্বাল শঙলেনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দল অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি-কে. সরতনা হায়-মমাংথক্তা তৌরম্বা অশোয় থৌশিল থৌরাং কয়ানা মরম ওইদুনা ঙসি মীয়ামনা অৱাবা নংবনি। হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা বিরোধি দলশিংনা দায়ত্ব য়াওদবা ৱাফম কয়া ফোংদোক্তুনা সরকার অসিবু লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা অসি লাইবক থিবনি।

মহাকা হায়-ইং ২০০৮ দা মতমদুগী সরকারনা ম্যান্মারদগী চংশিল্লকপা মিলিটেন্টশিংগা সসপেন্দসন ওফ ওপরেসন (সু) সহি তৌনদুনা দিজিগনেটেদ কেম্প কয়া হাংদোকখি। মতমদুগী অশোয়বা অদু হৌজিক খুদক্তা চুমথোকবা হোৎনবা হায়বসি অরুবা ৱাফম অমনি।

**সিএম (এল)ঃ** য়ঙ মনিপুরি কাউন্সিল-অসামগী মীহুৎশিংগা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা ঙসি মহাক্কী ওফিসতা উন্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা অসামদা খুন্দারিবা মনিপুরিশিংনা মতেং কয়া পাংদুনা লাক্লি। মখোয়না রাজ্য অসিগীদমক্তা তেংবাংলিবা অদুবুসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎখি। মনিপুর সরকারনসু অসামদা খুন্দারিবা মনিপুরিশিংগী য়াইফনবগীদমক লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি।

**এসেমব্লি (এল)ঃ** জনতা দল (য়ুনাইটেদ) কী এম.এল.এ. মঙা দিসক্কালিফাই

তৌনবা থারকখিবা পিটিসনশিংগা মরী লৈননা ঙসি মনিপুর বিধান সভাগী স্পিকর ত্রাইব্যুনেলনা হিয়ারিং চথখ্রে।

মখা তাবা হিয়ারিং থা অসিগী ৭ কী অয়ুক পুং ১১ মখায়দা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলদা পাঙথোকবা লেপলে।

নীংশিংবা য়াই, জে.দি.য়ুগী টিকেৎতা কারকখ্রবা মত্ংদা বি.জে.পিদা শৌগৎখিবা এম.এল.এ. মঙা অদুদি-খুমুকচম জয়কিষন, থাংজম অরুনকুমার, ঙুরশাংলুর সনাতে, এল.এম. খৌতে অমসুং এম.দি. আশাব উদ্দিননি।

**গোবিন্দাস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী মীয়ামা খৌরাংনা ঙায়রিবা ইম্ফাল রিং রোড প্রোজেক্ট ঙসিদগী ওফিসিএল ওইনা হৌদোকখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ৱাক্স মন্ত্রি-গোবিন্দানস কোন্থৌজমনা হায়-মতম শাংনা মীয়ামনা খৌরাংনা ঙায়দুনা লাকপা প্রোজেক্ট অসি ঙসিদি মংফাওনরে।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননগী লমজিং মখাদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট অসিনা রাজ্য অসিবু হেন্না চাউখৎপগী মায়কৈদা খুমাং য়াংশিলহনবা ঙম্লগনি।

**মোরে (এল)ঃ** মনিপুরদা কুমজা ২০২৩ গী মে অহুমদগী হৌরকখিবা ইরাং অদুদা লৈখিদ্রবা মোরেগী মীওই তরেৎকী মথৌ মঙম পাঙথোকবা মখোয়গী ইমুং মনুংদা রাজ্য সরকারগী মায়কৈদগী লুপা লিশিং ২৫-২৫ পীখ্রে।

দি.সি. তেংনৌপলগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি ককচিং লমখাইদা লৈবা ওফিসতা এস.দি.ও. মোরে-তিজাস হাসননা শেনফম অদু লৈখিদ্রবশিং অদুগী ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা মতিক চাবা ডাক্তর, ষ্টাফশিং থন্বীনবা অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচশিং শেমগৎ শাগৎপীনবা দাবী তৌরদুনা জিরিবাম

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল মোনিটরিং কমিতিনা কৌখিবা পুং ২৪ গী টোটেল সটদাউন দনা মরম ওইদুনা জিলা অসিদা মীয়ামগী নোংমগী পুক্সিদা অকায়বা পীরে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমা-ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়-বন্দ মনুংদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি পুলিসকী মায়কৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। জিরিবামগী এস.পিনা বন্দ কৌরিবশিংগা ৱারী শান্নদুনা য়ান্নবা পুরকবা হোৎনরবসু মহয় য়ানবা ঙমখিদে।

**কেন্সর (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদসু ঙসি মালেমগী কেন্সর নুমিৎ পাঙথোকখি।

নুমিৎ অসিগী থৌরম মনিপুরগী মফম কয়াদসু পাঙথোকখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা মীয়ামদা পীবা পাউজেল অমদা হায়-মতম চানা খঙদোকপা অমদি লায়েংবনা কেন্সর লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। কেন্সর লায়না মরু ফংনা মুথৎনবা অমদি মীয়মাদা খঙহন্নবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ।

ৱার্ল্ড কেন্সর ডেগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা লায়েংবগী কেম্প অমা তমেংলোং জিলাগী তমা ভিলেজ অমসুং নোনে জিলাগী নুংনাং ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা মফমদুগী খুঞ্জা ৫০০ রোমদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহনখি অমদি লেমা হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, ভারত লান্মানা শিনদুনা লায়েংবগী কেম্পশিং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কংলাতোংবী, বিষ্ণুপুর জিলাগী শান্তিপুর অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নোংদম তাংখুল ভিলেজশিংদা পাঙথোকখি।

নন-কম্যুনিকেবল সেল, চীফ মেদিকেল ওফিসার-ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শিনদুনা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম ইম্ফাল ইষ্টকী ওকসুদা লৈবা অয়ুসমান অরোগ্যা মন্দিরদা পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ অসি এন.সি.দি. সেল কম্যুনিতি হেলথ সেন্টর-ৱাংগোইনা শিনদুনা সেন্টর অসিদা পাঙথোকখি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর পুলিস কম্মান্দো অমদি সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোং এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা আর.পি.এফ-পি.এল.এগীনি হায়বা মীওই অমা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অদুনা ঙসি অয়ুক মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা মীওই অদু ফাখিবনি। মীওই অসি নম্বোল, বিষ্ণুপুর অমসুং নিংথৌখোং এরিয়াদা লৈবা সরকারগী কর্ম্মচারিশিং অমদি মীয়ামদগী শেল খায়দবা চেন্নবনি হায়রি।

**আশা (এল)ঃ** ওল মনিপুর এক্রেদিটেদ সোসিএল হেলথ এক্তিভিষ্ট (আশা) ৱাকর য়ুনিয়ননা মখোয়গী ওইবা মতিক চাবা ষ্টেট সিয়ার হাপীদুনা ওনরেরিয়ম হেনগৎহন্নবগী ৱাফম থা অসিগী ১০ দগী হৌগদৌরিবা মনিপুর বিধান সভাগী মীফমদা খন্নবীনবা দাবী তৌরি।

য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট-টি.ঐচ. পুণিমাসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মীয়ামগী হকশেল ফনা থমবা হোৎনবদা আশা ৱাকরশিংনা অচৌবা দায়ত্ব লৌদুনা লাক্লি। কোবিদ নাইন্তিনগী লায়চৎকী মতমদা আশা ৱাকরশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। অদুবু, সরকার অসিনা মখোয়না মতম কয়াগী মমাংদগী তান্দুনা লাকপা দাবীশিং তাবীদনা লাক্লি।

**কেম্প (এল)ঃ** চীফ মেদিকেল ওফিসার-ইম্ফাল ইষ্টকী মীৎয়েং মখাদা মোধু অমসুং সনাহনবী মেমোরিএল ত্রষ্ট-পৌরাবীনা শিনদুনা ঙসি জেম পাবিক স্কুল-পৌরাবিদা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই ১০০ হেন্না লায়েংখি।

**টোবেকো (এল)ঃ** নেসনেল টোবেকো কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট টোবেকো কন্ট্রোল সেল ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা হিদাক মনা শিজিন্নবনা পীবা অমাঙবশিং হায়বসিগী মতাংদা মীয়ামবু ৱাখল তাহন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লিলাশিং খোঙনাংখোং হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-সরকার অসিনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা আশাবা বিনিফিসরি কোতি ১০ হেনবনা খুদোংচাবা লৌদুনা লৈরে। মখোয়গী মমিংশিং লৌথোক্তুনা ফংফম থোকপা অশেংবা বিনিফিসরিশিংদা খুদোংচাবা পীবা হৌরে।

ৱাফম অসি ঙসি লোক সভাদা রাস্পতিগী ভাষন, থাগৎপগী মোসনগী পাউখুমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ভারতনা নীংখা তল্লবা চহি ৭৫ শুরবা ফাওবদা লৈবাক অসিগী মীশিংগী চাদা ৭৫ কী মশা মশাগী ময়ুমদা থকনবা অফবা ঈশিং ফংহনবা ঙমদ্রি। অদুবু সরকার অসিনা হোৎনবদগী হৌখিবা চহি মঙা অসিদা ইমুং কোতি ১২ হেনবদা অফবা ঈশিং ফংহনবা ঙমখ্রে।

শ্রী মোদিনা হায়-হৌখিবা চহি তরা অসিদা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ২৫ হেন্না লাইরবা কোকহনবা ঙমলে।

শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী পাউ-চে অয়ান্বদা শেঞ্জা থুমজা অমদি অরানবা তৌবশিংগী পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইরম্মী। অদুবু, হৌখিবা চহি তরা অসিদা লুপা কোতি কয়াগী শেনফম কনবা ঙমদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংদা শিজিন্নরি।

মহাকা হায়-বি.জে.পিনা লৈবাক অসিদা সরকার পায়দ্রিঙৈ মতমদা এল.ই.দি. বল্প অমদা লুপা ৪০০ দা য়োল্লম্মী অদুবু সরকার অসিনা তোঙান তোঙানবা ড্রাইব কয়া চথবদগী লুপা ৪০ দা ফংহনল্লি। এল.ই.দি. শিজিন্নদুনা

ইনর্জি কনবদগী লৈবাক অসিগী শেনফম লুপা কোতি লিশিং ২০ হেন্না কনবা ঙমলে।

**দিল্লিঃ** সিট ৭০ লৈবা দেল্লি বিধান সভা মীখলগী ভোট হয়েং থাদনরগনি। মসিগীদমক তঙাইফদবা থৌরাং পুমমক লৌখৎলে। অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা ভোট থাদনগনি। ভোটর কোতি অমা লাখ ৫৬ হেনবনা মীরেপ ৬৯৯গী মীখলগী মরাইবক লেপকনি। মীখল অসিগীদমক ভোট খোম্বগী থবক ঙরাং নুমিদাংৱাইরম লোইশিনখ্রে। লাক্লিবা থাংজ নুমিত্তা ভোট থাদনগনি।

অকাশবানিগী পাউমীনা হায়-দেল্লি বিধান সভা মীখল অসিগীদমক ইলেক্সন কম্মিসননা পার্সনেল লাখ ১ লিশিং ৮০ হেন্না মথৌ তৌহল্লি। ঙরাং ফাওবদা লূপা কোতি ২২০ হেনবগী শেল, য়ু, দ্রগ, লেমা য়েন্থোক্কদবা পোৎলমশিং অমসুং মমল য়াম্লবা মেতেল কয়া ফাগৎলে। মসিগী মনুংদা খ্বাইদগী য়ামা লূপা কোতি ৮৮ কী দ্রগ অমসুং লূপা কোতি ৮১ হেনবগী মমল তাংবা মেতেলশিং য়াওরি। মসি ইং কুমজা ২০২০ দা পাঙথোকখিবা দেল্লি বিধান সভা মীখলদা ফাগৎখিবা পোৎলমশিং অদুদগী শরুক মরিরোম হেনগৎলবনি। মতমদুদা, লূপা কোতি ৫৭ লাখ ৫০ রোমগী পোৎচৈ ফাগৎখি। মীখল অসিগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌখিবগা সি-ভিজিলগী খূত্থাংদা ৱাকৎ লিশিং ৭, ৪৯৯ ফংখি। মসিগী মনুংদা কেস ৩২ খক হৌজিক লোইশিনদ্রি, অতৈদি মপুং ফানা লোইশিনখ্রে।

অমরোমদা, দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং কলকাজি বিধান সভা কেন্দ্রদগী আম আদমি পার্টিগী মীরেপ ওইরিবী-অতিসিনা সরকারগী থবক্তা অপনবা পীরে অমসুং মীখলগী কোড ওফ কন্দক্ট থুগায়রে হায়না ঙসি দিল্লি পুলিসনা কেস অমা রেজিস্তার তৌখ্রে।

**কিষানঃ** পি.এম. কিষান য়োজনাগী মখাদা সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী

লৌমীশিংদা লুপা কোতি লাখ ৩ হেনবগী শেনফমশিং পীখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লোক সভাদা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ রাজ্য মন্ত্রি-রামনাথ ঠাকুরনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-স্কিম অসিগী মখাদা মখা তানা খুদোংচাবা পীননবগী প্রপোজেল অমত্তা হৌজিক ফাওবা থাংগৎলকপা লৈত্রি।

**স্তার্টঅপঃ** দিপার্টমেন্ট ওফ প্রমোসন ওফ ইন্দষ্ট্রি এন্দ ইন্টরনেল ত্রেদ (দি.পি.আই.আই.টি) না মমাং চহিগী অরোইবা ফাওবদা শকখঙলবা স্তার্টঅপ মশিং লিশিং ১,০৫৭ হেনগৎলে।

লোক সভাদা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী রাজ্য মন্ি-জিতিন প্রাসাদানা হায়-লৈবাক অসিদা ইং ২০১৬ তা স্তার্টঅপ ইন্দিয়া হৌদোকখিবদগী হৌনা সরকারনা থৌরাং অসি হেন্না মায় পাকহন্নবগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা থবক কয়া পায়খৎলি।

অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী জিলা ৫৯০ গী দিষ্ট্রিক্ট এক্সপোর্ট এক্সন প্লান শেমলে। মসিনা লল্লোন ইতিক তৌবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

**কেলামিতিঃ** সরকারনা হায়রি-শেনবা চহি অসিদা মহৌশানা থোকহনবা খুদোংথিবা থৌদোকশিংদা মীওই লিশিং ২,৯৩৬ লৈখিদ্রে।

ৱাফম অসি কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-নিত্যানন্দা রাইনা ঙসি লোক সভাদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-মসিগী মনুংদা হিমাচল প্রদেসতা মীওই ৪০৮ লৈখিদে। মসিগী মথক্তা ষন-ঈরোই লিশিং ৬১ মাঙখ্রে। য়ুম লাখ ৩ লিশিং ৬০ হেন্না মাঙ তাকখ্রে অমদি লম হেক্তর লাখ ১৪ গী মহৈ-মরোংশিং অমাং অতা থোকখি। অসামদা য়ুম লাখ অমা লিশিং ৫৬ অমাং অতা থোকখি অমদি তামিল নাদুদা লম হেক্তর লাখ ৪ হেনবগী মহৈ মরোং অমাং অতা থোকখি।

**গেমস (এল)ঃ** ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসকী ঙসি হরিদ্বারগী ভি.কে. হোকি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা নুপাগী হোকি মেটচতা মনিপুর অমসুং মধ্য প্রদেস পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। মেটচ অদু গেমস অসিদা মনিপুরগী অহানবা মেটচনি। ফেব্রুৱারী তরুক্তা মনিপুরগী অনিশুবা মেটচ ওইনা মনিপুর অমদি পঞ্জাব অনি শান্নগনি।

মনিপুরগী পাঞ্জলশিং অদু-লাইশ্রম দিপু অমসুং তেলেম প্রিয়োবরতানা চনখিবনি।

**অর্চ্যারি (এল)ঃ** ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসগী নুপীগী মিটর ৫০ গী অর্চ্যারি ইভেন্টতা মনিপুরগী এল. রোজিনা দেবী ঙসি ফাইনেল চংখ্রে। থা অসিগী তরেৎতা মহাক্কা ছাতিসগরগী লম্বাগা ফাইনেল মেটচ শান্নগনি।

অমরেমাদা, নুপাগী মিটর ৫০ গী ইভেন্টতা মনিপুরগী সি.ঐচ. নেলসন সিংহ ফাইনেল চংখ্রে। মহাকসু থা অসিগী তরেৎতা য়ুম্বু ওইরিবা উত্তরাখন্দগী লম্বা থেংনগনি। নেসনেল গেমস অসিগী ঙসি চথখিবা ইভেন্টশিংগী মতাংদা মনিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী মেদিয়া কমিতিগী চেয়ারমেন-এন. ইবোঙোচৌবীনা হায়-

**রোয়িং (এল)ঃ** নেসনেল গেমসকী নুপীগী মিটর লিশিং অনিগী দবলস স্কল ইভেন্টতা মনিপুরগী থাংজম প্রিয়া দেবী অমসুং হাওবিজম তেন্দেনথোই ফাইনেল রাউন্দ চংখ্রে। মখোয় অনিনা উরিষ্যাগী রোয়িংশিংবু ঙসি মায়থিবা পীদুনা ইভেন্ট অসিগী ফাইনেল চংখিবনি। ফাইনেল মেটচ হয়েং শান্নরগনি।

নাকল অমরেমাদা, সাইক্লিংদা মনিপুরগী সাইক্লিষ্ট-লাইতোনজম রোনালদো, য়াংলেম রোজিৎ অমসুং কে.ঐচ. রাহুল অহুমনা শাবা টিমনা ঙসি নুপাগী টিম স্প্রিন্ট ইভেন্টকী কম্পিটিসনদা মায়থিবা ফংদুনা ফাইনেল চংবা ঙমখিদ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগা খুৎশমনা শিনদুনা মরিরকশুবা লেফটনেন্ট কর্নেল-রোবার্ট টি.এ. মেমোরিএল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী সেনাপতিগী এস্ট্রো তর্ব গ্রাউন্দদা হৌখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১৮ না শরুক য়ারি।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** ৪ শুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরতিন তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচশিংদা-থাউ থাংমৈবন্দনা এল.সি.সি. লমশাংবু ৱিকেট তরেৎতা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-সেদো থাংমৈবন্দনা আর.এম.ই.এফ. ময়াং ইম্ফালবু রন-৩৩৪ দা থোইখি। এন.সি.এ. নম্বোলনা এস.দি.ও. কৈরাউ মাকতিংবু ৱিকেট ৫ দা, ত্রাউ-ক্বাকৈথেলদা রুল-মৈত্রমবু রন-২৫৯ দা থোইখি।

নুপীগী চহি ১৫ মখাগী ত্রোফিদা ফোর্স-ক্ষেত্রিগাউনা এম.পি.এ. থৌনাওজমবু রন-২০৩ দা থোইখি। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা-পি.সি.সি.-ময়াই কোইবীনা সেদো-থাংমৈবন্দবু রন-৯ দা অদুগা ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈবু ৱিকেট ৮ দা থোইখি।